## এডিটোরিয়েল

### ভি আই পি বু মাংথোকপা

ষ্টেটসিগী ওইনা লৈরিবা সিষ্টেম অসিদা সরকারগী থবক তৌবা কাংবু অমসুং মীয়াম্না থাগৎখিবা মীহুৎশিং অসি তোঙান-তোঙান্বা কেটেগোরিদা মীয়ামদগী য়াম্না হেনগৎখিবা মীওইশিং ওইনা লৌনবগী চৎনবী অমা লৈ। মসি খ্বাইদগী হেন্না চাওবা অশোয়বাঅমনি অমসুং মসি শেমদোকপগী মথৌ পব্লিক সার্ভেন্টশিং অমদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা লেজিসলেটরশিংগী ওইফম থোকই। মীয়াম হায়বসি দিমোক্রেসি চৎপা লৈঙাক অমদা খ্বাইদগী হেন্না অচৌবা হক লৈবা কাংলুপ অমনি। মীয়াম্না থীরিবা রেভিন্যুশিং হায়বদি টেক্স ওইনা খোমগৎখ্রগা মীয়ামগী লণ অদু শিজিন্নরগা পব্লিক সার্ভেন্টশিংগী তলব পীরিবনি অমসুং মদু নিংথিনা শিজিন্ননবগীদমক আইন শেম্নবা অমসুং মীয়াম্বু ঙাক-শেন্নবগী থবক তৌ হায়না মীয়ামগী মীহুৎশিং লেজিসলেটর ওইনা থাগৎলি। অসিদা চহি ৫ গী টার্মদা নিংথৌ ওইবা নত্রগা মীয়ামগী লুচিংবা ওইবা কাংবুশিং অসিনা নত্রগনা পব্লিক সার্ভেন্টশিং অসিনা মীয়ামগী মথক্তা লৈব্রা হায়বসি হৌজিক মীয়ামগী ত্রাফিক সিষ্টেম অসি রেগুলেট তৌরিবা মণিপুর পুলিসকী কাংবুশিংনা য়াম্না মুন্না খন্নবা মথৌ তারে। ভি আই পি লাকপদা য়েংজবা ঙমদবা তুং ওন্থোক্লগা লেপকদবা কাংবুনা মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন্দা ভি আই পি খক্তগী খল্লগা লম্বী চৎহনগনি হায়বগী নিয়ম অসিমদি লেজিসলেটরশিংনা শেমদোকহৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মতম অমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সি পি আই (এম) না লিশাং শিংনা টার্ম কয়ারক শাসন তৌবা মতমদা মতমদুগী মীয়াম্না খংনরবা চিফ মিনিষ্টর য়াওনা মিনিষ্টরশিংনা রাইটর্স বিলদিং হায়বদি ষ্টেট এসেমব্লি য়ৌনা লাকপা মতমদা সেক্যুরিটি পার্সোনেল অসি তঙাইফদনা অমা-নত্রগা অনিদগী হেন্না য়াওদে অমসুং পুন্না মিনিষ্টরগা গারি অমত্তদা চৎমিন্নবা থেংনৈ। মতমদুগী কোলকতাগুম্বা য়াম্না তোইনা ত্রাফিক জাম থোক্কনবা মফম অমদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মিনিষ্টর অদুনা ত্রাফিক্কী সিষ্টেম অদু কায়না চৎপা থেংনখিদে, মদুগী মহুৎতা মহাক্না কাগদৌরিবা ওফিস অদুদা লম্বীদা থোকপা য়াবা থৌদোকশিং অদুগী খল্লগা য়াম্না ঙন্না হায়বদি ঙনখৎনা লাকপগী নত্রগা চৎপগী নিয়ম অমা শেম্মী। ঙসিসু মণিপুরগী মনুংদা খ্বাইদগী মতম চানা চৎপা অমদি ফঙ্কসন অমা য়াওবসি দিপ্যুটি সি এম অমদি অতৈ অতোপ্পা খরা খক্তনি।

পব্লিক সার্ভেন্ট ওইরিবা আই এ এস অমদি আই পি এস ওফিসরশিংগী মরক্তসু পঙ্কচুয়েল ওইবসি পারি-পুরিদগী কৈরাক থারকপা ইমুংদগী হৌরকপা মীওই খরখক্তনি। অদুনা পব্লিক্কী ত্রাফিক সিষ্টেমশিংদা ভি আই পিশিংগী ত্রাফিক্না শোকহন্না হায়বসি চুমদে। নম্ফুদা শেম্বা নিয়মগুম্না ষ্টেটসিগী লো এন্দ ওর্দরগী খক খল্লগা পংতৌ-তৌশিন্না অমসুং লম্বী চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা ভি আই পি চৎলিসি উদ্রা – খাম্মু হায়রদি খাম্মু হায়বনচিংবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নবা পুলিস পার্সোনেল কয়া অমা য়াওরিবসি অমুক্তা পারা খরা ওফিসরশিংনা তম্বীবা ফৈ অমসুং হোম মিনিষ্টরনসু অমুক্তং খংজদবা কয়া অদুদা খংহন্নবা থৌরাং অমা অথুবা মতমদা লৌখৎপা ফৈ খল্লি। মীয়াম্না মপুনি, পব্লিক সার্ভেন্টনা মনাইনি, লেজিসলেটরশিংনা মীয়ামগী মীহুৎনি-মখোয় মখোয়গী ওইবা মথৌশিং পাংথোকপা মতমদা আইনগী মীৎয়েং অসি মীয়ামদা হেন্না লুম্না থম্বা মথৌ তারে হায়বসিবু তাক্লফম থোকপ্রা-মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মসি খল্লগা লৈঙাক্লুরো হায়না মীয়াম্না থাগৎলকপনি হায়বসি খঙনা মীয়ামদা থোকহল্লিবা খুদোংচাদবশিং মখা তানা থোকহন্দনবা হোৎনহন্নিংই। পব্লিক সার্ভেন্টশিংসু মীয়ামদা করম্বা ৱাহৈ শিজিন্নগদগে হায়বসি মুন্না খংহন্নিংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### রিমস ডাইরেক্টরগী অনৌবা খোংথাং

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

লাইরিক হৈরবা থবক থিরিবা মীওই ৭,০০,০০০ (লাখ তরেৎ) হেন্না লৈরিবা লমদমসিদা মথুম-মরাং হৌবা পাউ অমা হায়রগদি থবক কৌরকপসিনি হায়বা তায়। হন্দক রিমসকি ষ্টাফ নর্স ১১৬ হাপনবগী নোটিস থোকখ্রবা মতুংদা অইবগী চাংয়েং য়াওনবগী ওক্টোবরগী তাং ১২ দগী ১৭ ফাওবা এদমিট কার্দ পিগদৌরি। অদুদগী ভাইবা-ভোসিগী চাংয়েং অমুক পাংথোক্কদৌরি। এপ্লিকান্ট ৫০০০ রোম লাকই হায়নৈ। নোংমদা মীওই ১০০০ দা এদমিট কার্দ পিনি হায়। ষ্টাফ নর্স নিয়ম চুম্না খনবীয়ু, শেঙ্গা থুমজা তৌবীগনু, ডাইরেক্টরদা মাগী মখা থাবশিংনা সপোর্ট তৌবীয়ু হায়বনচিংবা কয়া পাউ-চেশিংদা ইনরকখ্রে। য়াম্না পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইরিবদি ডাইরেক্টর ডাঃ রিতা দেবীনা রিমসকি থবক হাপ্পদা অরানবা তৌরোই, কেন্দিদেটশিংনা রিমসতা থবক তৌরিবশিংদা ৱাচৎ-ৱানোমবীগনু, প্রমাণ ফংলবদি লেম্না তোক্লোই হায়বনচিংবা চেকশিন ৱা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াদা হায়রকপসিনি। মহাক্কী মখা থাবা ওফিসরশিংদসু চেকশিন ৱা শোয়দনা হায়রক্লগনি। লোয়ননা মমিং লৈরবা ডা. এন. জি ব্রজাচান্দবু ভিজিলেন্স ওফিসারগী ফম থিন্দোক্তুনা অরানবা তৌদনবা মিৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈনবা থবক পায়খৎখ্রে। ডাঃ রিতাগী চেলেঞ্জিং অমদি ইনোভেটিভ ওইবা অনৌবা তমজনিংঙাই ওইবা খোংথাংনি হায়নরি।

হন্দক্কি রিমসকি ডাইরেক্টরগী অনৌবা খোংথাং অসিগুম্না মণিপুর সরকারনসু তৌহন্নিংই। অদুবু ষ্টাফ নর্স ১১৬ লৌগদৌরিবা অসি ত্রান্সপরেন্ট লৈনা শেংনা তৌরক্কনি হায়বদুদি থবক ওইনা পাংথোক্লককপা মতমদতা খংগনি। নত্তদুনা চাক চগ্রিং অমনা চেঙ্কোক অমা মাংহল্লি হায়নবগুম শেংনা তৌজনিংবা ডাইরেক্টরগী খুৎপুদা কনাগুম্বা পুকচেল মাংবা য়াওরক্লবদি রিমসকি ইজৎ মমাংথককুম হামু তারোই হায়নিংঙাই লৈতে। ফনা হায়নিংবা হায়নরবসু ডাইরেক্টর মেদামগী থৌনা অমদি মতিং ফুদোকপীদুনা মগুণ লৈবা ষ্টাফ নর্স ১১৬ খনবীদুনা অনৌবা রিমস অমা খুদোল তৌবীরম্মু।

অদোমগী,<br>
ওইনাম শ্যামা দেবী<br>
ক্বাকৈথেল, ইম্ফাল

(ইন্দিয়াগী চৎনরিবা আইনশিং অসি নৌনা মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা লমাই অসি য়ুমশংকৈশা নুমিৎ খুদিংগী মীয়ামদা আইনগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং খুদোল তমজরি, অশোয়-অঙাম খুদিংমক শেমদোকপীরকপদা তরাম্না ওকচরি-এডিটর)

## দি সেদ্যুল ত্রাইবস এন্দ অদর ট্রেদিসনেল ফোরেষ্ট দ্বেলরস (রিকগনিসন ওফ ফোরেষ্ট রাইটস) এক্ট, ২০০৬

পি এইচ বাগেশ্বরি

লৈরিবা উমংশিং অমসুং উমংশিং অদুগী মনুংদা হিংদুনা খুন্দারিবা ত্রাইবেল মীয়াম হায়বসি অমগা অমগা শেৎতোক্নবা য়াদবা ফিভম অমদা মহৌশাদগী হিংদুনা লাক্লি। উমং অমসুং মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিং অসি উমং য়াওদনা হিংবা ঙমদবগা লোয়ননা উমংনসু মীওইশিং অসি য়াওদ্রগদি হিংবা ঙমদে। ইন্দিয়াদা মতম অমদা লৈরম্বা কোলোনিয়েল রুল অদুদা হেন্না শেম্থোক লৈনবগীদমক অমসুং মতমদুদা চৎনরম্বা ফিভমশিংগী মতুং ইন্না উমংগা উমংগী শরুক্তা লৈরিবা মীয়ামগা খাইদোক্লবা য়ারোই হায়বসি খঙবা ঙমখিদে। ইন্দিয়ানা নিং-খা তন্নবা মতুংদা লৈবাকসিগী লৈরিবা মহৌশাগী লনশিং অসি ঙাক-শেন্নবগীদমক পায়খৎপা থৌরাংশিংদা কোলোনিয়েল রুলগী আইনশিং অদু মখা তানা চৎথরম্বদগী মালেমগী থাক্তা চৎনরিবা উমং কন্নবা ৱাফম অসি উমংদা লৈরিবা মীয়ামগা লোয়ননা চৎমিন্নদবা তারগদি ওইথোকপা য়ারোই হায়বা ৱাফম অসি খঙলকখি। মসিদগী লৈবাকসিদা হান্নদগী চৎনরক্লবা ৱাফমশিং অদু অমুক হান্না থবক্তা ওন্থোকপদা নত্তনা ত্রাইবেলশিংগী পুন্সি মহিং অদু কন্নবা অতোপ্পা পান্বে অমত্তা লৈতে হায়বসি খঙলকখি।

রিজর্ভেসনগী পোলিসি অমা শেমদুনা উমং লৈরিবা অমদি উমংবু ঙাক-শেল্লিবা ত্রাইবেল মীওইশিং অদুগী মতেং নত্তনা উমংগী পোৎথোকশিং অসি হেন্না ঙাক-শেন্নবা লম্বী লৈতে হায়বসি খঙলকখি। উমং ঙাক-শেন্নবগীদমক চৎথরকপা অমদি পায়খৎলকপা থৌরাংশিংদা উমংদা লৈরিবা মীওইশিং অদুগী মথৌ অমসুং হকশিং অদু খঙখি অমদি মদুগী মখা তারকপদা ত্রাইবেলশিংগী মহৌশাগী পুন্সি মহিং অদু উমংগী মরী লৈননা শেম্বা তাই হায়বা ৱাফমসি খঙলকখিবনি।

উমংগী পোৎথোকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা পুন্সি মহিং লেল্লিবা ত্রাইবেলশিংগী কাংলুপশিং অসি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পোলিসি অমত্তনা ঙাক-শেন্নবা হোৎনদে হায়বসি খঙলকপগা লোয়ননা মখোয় খক্তগী ওইবা পুন্সি ঙাক-শেন্নবগীদমক মথং-মথং থৌরাং কয়া পায়খৎপগী মথৌ তাই হায়বসি খঙখি। করিগুম্বা উমংগী শরুকশিং অসি ঐখোয়না ঙাক-শেন্দুনা থমগে হায়বা তারগদি উমংদুদা খুন্দালৈতাদুনা লৈরিবা মীওই কাংলুপশিং অসিগা পুন্না থবক পায়খৎমীন্নরবা মতমদা উমং কন্বা খক্তা নত্তনা য়োকখৎপগী থৌরাংশিংসু চপ-চানা পায়খৎপা ঙমগনি হায়না লৌই।

মরমসিদগী পার্লিয়ামেন্টা উমংশিং লৈবগী তঙাইফদবা অমসুং উমং কন্দুনা লৈরিবা সেদ্যুল ত্রাইবশিংনা উমংশিংদা লৈজবগী হকশিং অদু লৈহনগদবনি হায়বা হিরমসিদা য়াম্না মুন্না খল্লবা মতুং দি সেদ্যুল ত্রাইবস এন্দ অদর ট্রেদিসনেল ফোরেষ্ট দ্বেলরস (রিকগনিসন ওফ ফোরেষ্ট রাইটস) বিল কৌবা অমা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা খন্নখি।

মসিগী মরমশিংদি উমং কন্নবা হোৎনরিবা অসিদা আইন অমত্তা লৈত্রবসু উমংদুগী মনুংদা লৈরিবা ত্রাইবেল কম্যুনিটিশিংনা ঙাক-শেন্নবগী ৱাফম কয়া অমা ইন্দিয়াগী অরিবা খুৎইদা থল্লম্বা ৱাফম কয়া অমদগী খঙবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী লৈঙাক অসি মীওই খরগী কোলোনিয়েল রুল ওইনা লৈরমখিবদু অরিবা অইবা লাইরিককশিং অমসুং চৎনবি কয়াগী মতাংদা ইরম্বা ৱাফমশিং অদু পুথোক্তুনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতা মখোয়গী তোঙান্বা ষ্টেট লিংনবা নত্রগা মখোয়দা নিং-খা তন্বা পীনবা ৱাফম কয়া হৌদোরকখি। ত্রাইবেল কম্যুনিটিশিং অসিগী লোল পীবা য়াবা থৌরমশিং খন্নরকপা মতমদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরক্কদবা লৈ।

মরম কয়াশিং অসিদগী ত্রাইবেল মীয়ামগীদমক রিজর্ভেসনগী পোলিসি কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। মসিগী মতাংদা লৈবাকসিগী মনুংদা খুন্দারিবা ত্রাইবেলশিং অদুগী হক ঙাক-শেন্দুনা থম্নবগীদমক থৌরাংশিং অদু পায়খৎপা তারবসু ম্যানমর লৈবাকশিংদা লৈরিবা ইসরজেন্টশিংনা হেন্না খুদোংচাবা লৌখিবা য়াই হায়বগী চিংনবদু মমাংদসু মণিপুর সরকারগী লুচিংবা ওইরিবদা খঙহনবা লৈখ্রবনি। মসিমক্তদা মীয়াম্না ত্রাইবেলশিং অসি হকচিন্না মণিপুরীনি হায়না লৈবগী মহুৎতা মণিপুরগী ৱাংমদা অমুক চৎখিবা মতমদা করিগুম্বা পুন্না চৎমিন্নরিবা মীওইশিংগী মতাংদা থোইদোক্না হায়বা লৈতে।

বিল অসিনা পায়খৎনবা থল্লিবা ৱাফমশিং অদু মখা তানা থবক্তা ওন্থোক্কবগীদমক তোঙান-তোঙান্বা ফন্দামেন্টেল ওইবা ৱাফমশিং খনগৎলগা হায়রিবা বিল অসি থাগৎখিবনি।

## টৌপ্পর অমনা টৌপ পোষ্ট পায়রকপা

মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিকমক হোটেলদা, লৈরক খুল্লক্তা, ওফিসতা, মহৈ তম্ফমশিংদা অমদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা ফোঙ-ফোঙ শানা ঙাওনরিবা ৱাফম অমা হায়রগদি শ্রীওইনাম নবকিশ্বর সিংহ, আই. এ. এস. মণিপুরগী চিফ সেক্রেটরি ওইরকপা 'সিনি হায়বা তাই। মহাক্না সিভিল সার্ভিসকী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম অসি পায়রকপদা হরাউজরিবা অসি মণিপুর পুম্বননি। চীংমী-তম্মী, মীতৈ, মীতৈ পাঙল লোইনমক্কনি। নিংথৌখোংথক্তগী, মীতৈ খক্তগী নত্তে। মীগী ৱাদি মীনা ঙাওনবা তাবনি, অফবগীবু ওইরবসু ফত্তবগীবু ওইরবসু। অৱাবগীবু ওইরবসু। মহাক্কী ৱারিদি অফবগী অমদি নুংঙাইবগী ৱারীনি। হোৎনবা কনবা অমদি মায় পাকপগী ৱারীনি, হেক পোকপদগী ঙসি ফাওবগী। মেত্রিক্কী টৌপ্পরনা টৌপ পোষ্ট পায়রকপগী, খোঙচৎ অমগী পম্বুং য়ৌবগী ৱারীনি। লায়রবা ইমুংদা পোকপা, লাইরিক হৈবা, হোৎনবা কনবা, মতিক চাবা মী অমগী তঙবদগী তাঙলবা ৱারীনি। ৱানা হৌরক্লগা নুংঙাইরকপগী পাউজেলনি। সন ওফ দি সোইলনা হায়েষ্ট পোষ্ট অমা পায়রকপদা হরাউরোইদবা কনাবু লৈগদগে মৈত্রবাকসিদা? ওক্টোবর তাং ১ ইং ২০১৫ নুমিৎ অসি মণিপুর সেক্রেটরিয়েটকী পুৱারীদা সনাগী কালিনাঅঙৌবা চেবাঙথক্তা ইথৌরগনি। মণিপুরগী জেনরেল নোলেজগী লাইরিক্তা অনৌবা চেনা অমা হেনগৎলগনি। মহাক্না জেনরেল কেটাগোরিদা দাইরেক্ট আই এ এস ফংখিবা মতমদুদা মীয়াম্না ও নবকিশ্বর নোংমদি চিফ সেক্রেটরি ওইরক্কনি হায়না প্রিদিক্ট তৌনখ্রবনি। মহাক্কী পুন্সিগী ৱারীদি ঐখোয় অয়াম্বনা খঙনরবনিনা অমুক পন্দ্রবসু য়াগনি খঞ্জে।

ওক্টোবর তাং ১, ২০১৫ শগোলশেল নুমিত্তা মশানা ফমগদবা সেক্রেটরিয়েট সাউথ ব্লোক্তা ইতিহাসিক ওইরবা চিফ সেক্রেটরিগী ওফিস চেম্বরদা থারিবা চৌক্রিদা মীতৈগী চৎনবীদা লাইবক অহুম্লক কৎলগা য়াম্না হম্বল ওইনা অমদি কনফিদেন্স লৈনা ফমদুনা চিফ সেক্রেটরিগী ফম পায়বা হৌখিবা মীৎকুপ্তু উবমক্তদা হরাউবা অমদি নুংঙাইবনা থুক্নৎখি। মহাক্কী অনন্দগী মশক ওইরবা নুংঙাইবদুনা ঐবুসু হুমদুনা পুখি। লুরবা ঈয়াইথক্তা নীংথিজরবা থম্বাল অমনা থিনগৎলত্তুনা ফুগায়না লৈশাৎ তন্নকপগুমখি। ' অদুনিদনা লাইরিক হৈবা হায়বদুদি' হায়না ইথন্ত হায়দোকখি। খুবাক খুখি। তাঙলবা মীকুপ অদু উহনবীবগীদমক আই এ এস টিভিবু থাগৎচরি। মীকুপতুমক্তদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা ওফিস পায়রমদাইদা শাংনা তিংথোক্লগা পার্লিয়ামেন্টতা লাইবক শোক্না খুরুমখিবদু মিত্তা শং-শং উরকই। অচৌবশিংগী হোলিষ্টিক ওইবা মেন্নরনা মীয়ামগী পুক্নিং হেক-হেক চিংশিল্লি।ঐহাক শ্রীনবকিশ্বরনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ ওইনা পুরিঙৈদা মহাক্কী মখাদা চহি মরিরোম থবক তৌজরকখি। মহাক ঐগীদি ফ্রেন্দ, ফিলোসোফর এন্দ গাইদনি। অদুগীসু মথক্তা ৱেল ৱিশরসুনি। ইবান্নিগী মরীদি মথক থোংবগা মখা থাবগগী মরীগী মথক্তা অস্বাগী ওইবা থম্মোয় ফাওনা উনবা ঙম্বা মরী অমগসু লৈনৈ। মহাক্না ঐগী পুক্নিং ফাওবা উবী। মদুমক্তা ঐহাক্কী সার্ভিস কেরিয়রদা মায় পাকপা ঙম্বগী মচাক অমা ওইখি। ভারত সরকারগী ডিভলপমেন্ট কম্মিস্নার হেন্দিক্রাফটসনা নেসনেল এৱার্দ পীদুনা অমদি কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ ডিপার্টমেন্টনা ষ্টেট এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রবা শক্লাইরবা এৱার্দিশিংগী মরক্তগী ক্রাফটপার্সন ২৪ গী মায় পাক্লবা পুন্সি ৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা "খুৎহৈবলক্তগী" হায়না মিংথোনবা রেডিও সেরিয়েল অমা ইদুনা ইং ২০১২ দা রেডিওদা শন্দোকখিবা অমদি লাইরিক ওইনা পুথোক্তুনা মীয়ামদা খুদোল তম্বা ঙমখিবা অদুমক মহাক্কী মপান্ননি। মহাক্না ওফিস চেম্বরদা ওফিসার ময়ামগা মরু ওইনা মিটিং অমা পাংথোকই। চাগা বিস্কুইটকা ওফর তৌই। নুমিত্তু একাদশি নুমিৎ ওইবনা ঐহাক চাসু থক্তে, বিস্কুইটসু চাদে। চাদি হান্নদগী থক্তে হায়বা মহাক্না খঙবদগী ঐঙোন্দা বীরেন বিস্কুইট চাবা য়াদব্রা হংই। সার য়াই অদুবু ঙসিদি একাদশি ওইবনিনা গ্রেন য়াওবা অচাপোৎ চাবা য়াদবনিনা ঙসিগী ওইনা চাজদবনি হায়না খুম্মী। ফাগী তৌগনবা মরুপ এল দ্বিজমনিনা মরক থৎনা বীরেন সাহেবকুম্বা ঙাক্তা ঙাইরবদি চা মনা পুথোকপা, বিস্কুইট শাবা ইন্দষ্ট্রিজ লোইনা শেল মাঙলনি হায়রকপদা ময়াম ৱা লাউনা নোকই। সার নবকিশ্বরনা " পুন্সিদা রেগুলেটিভ প্রিন্সিপাল খরা ঙাকপসি য়াম্না ফৈ ঙমদবগী ৱানি" হায়রগা ঐগীদমক ঈশিং বোটল অমা পীবিরকখি। মহাক্না শানবা অমদি ঙাওনবা ৱারী খুদিংমক য়াম্না পার্টিকুলর ওই। লাইট ওইনা লৌদে। থাজদনা মরম-মরক্তা ফাগীকাসু তৌগল্লি। য়াম্না হ্যুমর ওই। থবক ফনা চিল্লগসু কনাগুম্বা অমা হেক চঙলকপদা খুদক্তা রেস্পেন্স তৌবসি মহাক্কী হৈনবীনি। থবক খুদিংমক খুদক-খুদক্তা দিসপোজ তৌই। মিটিং তৌরবদি ওফিসার খুদিংমক মানা-মানা দিল তৌরিবা মেটরদুদা মমুৎ তানা খঙবা তাই নত্রবদি চোপ্পা শোইদ্রে। নোংমসু দিস্কসন অমা তৌবদা মহাক্না "আই দোন্ট থিঙ্ক ইয়ু ৱিল কম্মিত এনি মিষ্টেক এজ ইয়ু আর এ দিভোটি, গো এহেদ" হায়রগা খুদক্তা এপ্রুভেল পীরকই। নুমিত্তু ঐদি সার্ভিসকী পুন্সিদা থেংনখিবা নুংঙাইবা নুমিৎশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নুংঙাইবা হায়বদু ওইখি। থবক তৌবা ইমপ্লোয়ি অমনা খ্বাইদগী নুংঙাইজবসি মহাক্কী মথক থোংবদুনা মহাক্না তৌরিবা থবক্তু মুন্না খঙবিবা অমদি থাগৎপীবসিনি। মহাক্কী ৱাহৈশিং অদুনা ঐঙোন্দা লোই'নাইদ্রবা নুংঙাইবা অমদি অপেনবা পোকহনখি। থবক শুনিংবগী থৌনা হাপখি। ইথন্ত চাউথোকচবা ফাওখি। নুংঙাইমন্দুনা য়ুম য়ৌথিবা খঙহৌদে। ইচাদা, নুপীদা ইনাওশিংদা তমখি। মহাক্না হায়খিবা শক্তি চেল্লবা ৱাহৈশিং অদুদা থিম ওইরগা "ৱাহৈগী শক্তি" হায়বা শৈরেং অমা ইখি। মহাক ফিজিক্স অমদি মেথমেটিক্স য়াম্না হৈবগী মতিক থবক শুবদা এক্যুরেসি ওই। আই টি গী লমদা অমুক্তা হেন্না থৱায় য়াওই। কম্প্যুটর শীজিন্নবা অমদি ই-মেল থাবা নিংথিনা হৈতে হায়দুনা ওফিসারশিংদা হেক-হেক ঙাঙই। ঐঙোন্দদু ঙাঙই। মরম ওকপা ওফিসারশিং পুক্নিং থৌগৎলবসু ইন-সবোর্দিনেট ওইবশিংদদি খরা চৈগল্লি। ঐহাক্না দাইজদা ফম্মিন্নদুনা প্রোগ্রাম কয়াদা শরুক য়ামিন্নৈ। ঐনা ৱা ঙাঙলমদাইদা খরা তেনশি হায়না ঈঙ্গিৎ হেক-হেক পী। মমৈথঙদা তেন্না ঙাঙবা হৈরে। অমুক্তি থোংজাওদা চফু শাবশিংগী ওইবা মী য়াম্না তিনবা অচৌবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমদা ঐনা ৱা ঙাঙবা লোইশিন্নবা তৌবদা নুংঙাইরি খরা শাংনা ঙাঙখো হায়রকপদগী মখা ঙাঙথদুনা ঙাইহাক নোকমিন্নখি। নুংঙাইরবা প্রোগ্রাম অমা ওইখি। মহাক্না চফু শাবা আর্টিসানশিংগা নুংঙাইনা ৱারী শানখি। মহাক্কী অচম্বা মতৌদা আর্টিসানশিংনা পেঞ্জখি। মখোয়গী কান্নবা থৌরাং কয়া মহাক্না শুগায়না তাকপীখি। অমুক্না গুৱাহাটিগী এয়রপোর্টতা থেংনদুনা মণিপুর ভাবন ফাওবা লাকমিন্নরে। ও এস ডি শ্রীশান্তকুমারগা সার নবকিশ্বরগা পুন্না লাকমিন্নখিবনি। মণিপুর ভাবনদা লৈমিন্নরে। নুমিত্তুগী নুমিদাংদা কংলা ফুড প্রদক্টসকী মপু শ্রী অখোম বীরেন্দ্রনা পুদুনা গুৱাহাটিগী বোন্দাদা লৈবা মহাক্কী ফেক্তরিদা ভিজিৎ অমা চৎলি। নোং ঙাল্লগা মহাক্না ঐঙোন্দা বীরেন নহাক্তি লাই নিংবনিনা গীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা পীবা পাউতাক খরা হায়যুদনা ঙাইহাক নৈনসি হায়। গীতাগী ১৬ শুবা অধ্যয়গী দিভাইন ক্বালিটিগী মতাংদা মী অমনা চেনগদবা গুণ ২৪ গী মরমদা ঐনা হায়বা হৌরকপদা মহাক্না ঙাইখো হায়রগা মাগী মোবাইল হেন্দসেটতা কিৎ-কিৎ নল্লগা হায়রিবা শ্লোক অদু মোইবালদা য়াওবদু উৎলগা মথঙ-মথঙ ঐখোয়'নিদা মমুৎ তানা হায়খি। মহাক্কী কাদুদা নুংঙাইবা সৎ সঙ্গ ঙাইহাক তৌমিন্নৈ। মহাক ধর্ম্ম খুদিংমক্কী লাইরিক নিংথিনা পাই হায়বদু নুমিত্তুদা খঙখি। মহাক মীনা ঙাঙবা ফজনা তাবা, মী মুন্না মশক খঙবা, থবক মচা-মচা শুজবা ইন্টরপ্রেন্যুরশিং অমদি আর্টিসানশিংবু লুনা চান্না তৌবা অচৌবা থৱায় অমনি। ইন্নোভেটিভ ওইবা থবক য়াম্না হৌদোক্কল্লি। সেন্ট্রেল দিপ্যুটেসন্দা লৈরিঙৈদা অচৌ-অচৌবা মিনিষ্ট্রিশিংদা থবক কুইনা তৌরকপনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকা মরী লৈনবা থবকশিং খুদক-খুদক্তা পাউ ফাউনদুনা লোইশিল্লি। কো-ওর্দিনেট তৌবা য়াম্না হৈ।

ঐহাক্না চহি ৩২ চুপ্পা মণিপুর সরকারগী থবক তৌজরকপদা আই এ এস ওফিসার ১৭ কা হকথেংননা থবক শুমিন্নরকখি। মশা-মশাগী তোপ-তোপ্পা গুণশিং চেনবা মখোয়গী মরক্তা ভি ছিবর, দি ভি সিংহ, পি শরটচন্দ্র, আর কে নীমাই, টি পানমৈ, নোবর্ট দিশিনাং অমদি ও নবকিশ্বরনচিংবদা ঐহাক্না অমুক্তা হেন্না এডময়ার তৌজে। ঐহাক্না সরকারগী থবক্তগী পোথাখিবা ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৪ দগী মহাক্না অমুক হন্না উনখিদ্রে অদুবু মহাক্কী ৱাহৈশিংদুদি ঐগী থৱায় ওইরি। শ্রী ওইনাম নবকিশ্বরনা চিফ সেক্রেটরি ওইরকপসি ঐখোয়গী য়েলহৌমীশিংবু মপান লমগী মীওইশিংনা ব্যবহার তৌবা হেনগৎলক্লগনি। 'এ ট্রি ইজ নোন বাই দি ফ্রুইটস ইট বিয়ারস" হায়বগুম্না শ্রীনবকিশ্বরনা মণিপুর ইমাগী মায় ৱাংনা থাঙৎলবনি। মহাক্কুম্বা মপারী কয়া ফংবা ওইসনু। নিলকমল, কুঞ্জরানি, দিঙ্কু, সারিতা, দেবেন্দ্র, সুরজ, বেমবেম অমদি বলানচিংবনা মণিপুরবু ভারত্তা শেগাক কায়না মমিং চৎহনবগুম, মেরি কোম, পদ্মশ্রী রতন থিয়াম অমদি হিজ দিভাইন হোলিনেস ভক্তি স্বারুপ দামোদর শ্বামীনা মণিপুরবু মালেমগী কাচিন কোয়া য়ৌনা খঙহনবগুম , নবকিশ্বরনা মৈতৈ মচাশিংগী মরক্তগী অহানবা মণিপুরগী চিফ সেক্রেটরি ওইরকপসিনা মণিপুরবু অৱাংবা থাক অমদা থাঙৎলবনি, ইজ্জৎ লৈহল্লবনি।

খ্বাইরম্বন্দগী নুপী কৈথেলদা লোক্তাক্তগী ফারকপা ঙা য়োন্দুনা মহাকপু মহৈ-মশিং তমহল্লকখিবী অৱা কোঙ্গাই কয়া মায়োক্নদুনা মচাশিংবু চাউনবা নাউকোল্লকখিবী মীতৈ চনু লাইওইখ্রবী অপোকপী ইমা ইবেতোন দেবীনা লাইরৈবাক্তগী মচাগী কুঙ্কে য়েংলমগনি। মকোক্তা নাম্বিরমগনি।

শ্রীকৃষ্ণনা আর্জুনদা তাকখিবদু নীংশিংবা য়াই-

yad yad acarati<br>
tat tat evetaro janah<br>
sa yat pramanam kurute<br>
lokas tad anuvarate<br>
-(গীতা ৩ /২১)

Whatever action a great man performs, common men follow. And whatever standards he sets by exemplary acts, all the world pusues.

শ্রীনবকিশ্বর অচৌবা মী হায়বদু ওইরবনি। অশেংবা কর্ম্মযোগীনি। অমম্বা কোকহনবা ঙম্বা মৈরা অমদগী মশিং য়ান্নবা মৈরা কয়া শন্দোক্তুনা অমম্বা পুম্বা ঙালহনবগুম, মঙোন্দগী অফবা ৱাখল কয়া লৌদুনা অমম্বনা কুপশিল্লবা লমদমসি শোয়দনা ঙালহল্লগনি হায়না মীয়াম্না খন্নরি। ফিদম্নিংঙাই ওইবা থবক কয়া মহাক্না পাঙথোক্কনি হায়না লৈবাক্না আশা তৌনরি। মহাক্না পাঙথোক্নে হায়না খনবা থবকশিং মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্নবা তাইবঙ শেম্বা মপুনা থৌজাল পীনবিসনু।

-সনসম বীরেন্দ্র সিংহ<br>
ফঙ্কসনেল মেনেজর, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ (রিটায়ার্দ)